HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ





প্রাইম মিনিষ্টরনা লুচিংবা লৈঙাক্লা চহী ৭ মপূং ফারকপগী সেবাহি সঙ্গথন - টুগী থৌরমগী মনুং চন্না লমলাই মন্দলগী চেরমেন কে ঐচ ইবোমচানা থৌমীশিংদা তেংবাঙ পোৎলমশিং য়েন্থোকখিবা


হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকপগী মহুৎতা অৱা-অনা তারবশিংদা মতেং পাংবনি
☛ লামায় ২

অমেম্লোনা চান-থক্লবা য়েন্থোকপগী থৌরম পাঙথোকপা হৌখ্রে
☛ লামায় ৩

চেঙ কে জি ৫-৫ পীগদবদা কে জি ৩-৩ খক য়েল্লে
☛ লামায় ৬

জুন ৩ ফাওবা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা অকনবা নোং চুরবা য়াই
☛ লামায় ৭


থৌবাল অৱাং লৈকায়গী সুপর ষ্টার ক্লব অমসুং বামোন লৈরক্কী জুপিতর ক্লবনা শীনবা এন দি এ লৈঙাক্লা চহী ৭ মপূং ফারকপগী থৌরমদা এম পি ডা. রঞ্জননা ফেস মাস্ক অমসুং সেনিটাইজরশিং য়েন্থোকখিবা




Vol. 45, Issue No. 065 | নিংথৌকাবা, কালেনগী ২০নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Monday, May 31, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


## থর্দ ৱেভ: চীং-তম পূম্নমক্তা ভেক্সিন কাপহৌরবদি খরমখৈদি ঙাকথোকপা ঙমগনি : ডা: সিদনি

ডা. খাইদেম অথৌবা

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস) : কোভিদ লাইচৎকী অহুমশুবা অমদি মরিশুবা ৱেভ শোয়দনা লাক্কনি। লাইচৎ অসিগী ট্রেন্দ মুন্না থিজিল্লুবদা কোভিদকী ফর্ষ্ট ৱেভতা কা হেন্না শোকখিদবা মফমশিং সেকেন্দ ৱেভ লাকখিবদা শোকহল্লক্লি। মরম অদুনা মণিপুরদসু হৌজিক কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী চাং ৱাংবা মফমশিংদা খক মীৎয়েং চঙবগী মহুৎতা কোভিদ পোজিটিভকী মশীং য়াম্না থেংনদ্রিবা চীং অমদি তম্পাক্কী মফম পূম্নমক্তা কোভিদ ভেক্সিন পাকশন্না কাপথোকহৌবনা অহুমশুবা ৱেভকী চৈথেংদগী খরামখৈদি ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়না কোভিদ দেদিকেটেদ দোক্টর অমা ওইনা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা টেলি-কন্সলটেসনগী খুৎথাংদা লায়েংমল লৌদনা কৎথোকপগা লোয়ননা কোভিদ পেসেন্টশিংবু লায়েংলিবা তেরা খুরাইজম লৈরক্তগী হৌজিক্লা বেঙ্গালুরুগী নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেন্টেল হেল্থ এন্দ ন্যুরো সাইন্স



(নিমহান্স)কী দিপার্টমেন্ট ওফ সাইকিয়াত্রিদা এদিসনেল প্রোফেসর ওইরিবা অমদি কোভিদ ট্রিটমেন্ট য়ুনিটকী ইন-চার্জগীসু থৌ পুরিবা দা. সিদনি মোইরাংথেমনা ফোঙদোরক্লি।

পাউচে অসিগা অখন্ননা শানখিবা ৱারীদা মহাক্লা হায়, কোভিদকী ফর্ষ্ট ৱেভকী মতমদা পোজিটিভ ওইরবা মীওই অমদা উৎথোরকপা লাইওং অদুগা সেকেন্দ ৱেভকী লাইওংগা য়াম্না খেন্নবা হায়বদু ওইরে। ইপিদিমোলোজিষ্টশিংগী মতুংইন্না পেন্দেমিক অমা মালেমদা লাকপা মতমদা য়ামদ্রবদা ৱেভ মরি থোক্লা লাকই। অদুগা মালেমগী মফম খরদনা ৱেভ মঙাদগীনা তরুক ফাওবা লাকপসু য়াওই। মরম অদুনা লমদম অসিদসু কোভিদ লাইচৎকী ৱেভ মখা তানা অদুমক লাকখিগনি। মরম অদুনা ঐখোয় পূম্নমক্লা লৌখৎহৌগদবা থবক্তি লাক্কদৌরিবা ৩সুবা অমদি ৪শুবা ৱেভ অসিদগী করম্না ঙাকথোক্কুনা মীশি-মীনা কা হেন্না য়াওহন্দনবা হোৎনসিগে হায়বদুনি। কোভিদকী চৎলিবা ৱেভ অসিনা খরা ফরক্লে হায়রবসু লৈবাক মীয়াম্না অমদি লৈঙাক্লা চাওরাক্লা চহী অমরোমদি কোভিদ এপ্রোপ্রিএট বিহেবিয়র অদুমক ঙাক্লা চৎপগী তঙাইফদবা লৈরি।

মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরক-খিবদা কোভিদকী অনীশুবা লাইচৎ অসিনা কা হেন্না শোকহল্লবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংবু মতেং পাংনবগী পান্দমদা টেলিকন্সল-টেসনগী খুৎথাংদা কোভিদ পেসেন্টশিংবু লায়েংলিবা অসি কোভিদ লাইচৎকী মরমদা য়াম্না খঙলে হৈরে হায়না লাইয়েংবা নত্তে। লাইচৎ অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক অসিগী ষ্টেট অয়াম্বদা অরুবা ফীভম লাকপদগী হোস্পিটালশিংদা অহাংবা ফমুং লৈশিল্লক্তবগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরিবা অসিবু য়েংলগা কোভিদ পেসেন্টশিংনা মশাগী য়ুমদা অদুমক হোম আইসোলেসন তৌদুনা লায়েংজবা ঙম্নবা মতেং খরদং ওইরবসু পাংনবা হোৎনবনি। পোক্নফম লমদম মণিপুরদা লাইচৎ অসিনা নাবা অমদি শিবগী চাং হেনগৎলক্লিবা অসি য়েংলগা হৌজিক্কী ওইনদি অখন্নবা মীৎয়েং মণিপুরদা ওইনা থল্লি। মীয়াম্না চেকশিনগদবা অমনা মমাংদা কোভিদ পোজিটিভ ওইবগী লাইওং উৎলকপা অসি লাইহৌ হৌরকপা, লোক খুরকপা, থবাক নাবা, নাতোন ফুল্লকপনচিংবা তৌখি। অদুবু সেকেন্দ ৱেভ অসিদদি লাইহৌ য়াওদনা কোক চিকপা, মীৎ নারকপা, ৱাখল ফাথবা ঙল্লক্তবা, দাইরিয়া তৌরকপা, পুক নারকপা অমদি ওন্নিংলকপনচিংবা লাইওং কয়া লাক্লি। মরম অদুনা হকচাং খজিক হেক নুংঙাইরক্তবদা অদুমক টেষ্ট তৌথোকপা য়াম্না মথৌ তারে।

মণিপুর লৈঙাক্নসু লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা মেদিকেল টিম কয়াগা য়াম্না কন্না হোৎনরি। মসিগা ইরোইননা লৈঙাক্লা পাকশন্না কোভিদ-১৯ ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## হোম আইসোলেসন তৌহল্লিবশিং রিভিয়ু তৌবা মথৌ তারে : জয়কিষন

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচএনএস) : মণিপুরদা হৌজিক কোভিদ-১৯ অনীশুবা ৱেভকী ওইরক্লিবা ফীভম অসি য়েংলগা হোম আইসোলেসন তৌহল্লিবসি রিভিয়ু তৌবা মথৌ তারে। য়ারিবমখৈ হোম ক্বারন্টিন তৌহনগুমসি হায়না থাংমৈবন্দ এ সীগী এম এল এ খুমুকচম জয়কিষননা ফোঙদোকখ্রে।

মীদিয়াদা থাদোরকপা ভি দি ও অমদা এম এল এ জয়কিষননা হায়, মণিপুরদা ঙরাং পোজিটিভ কেস ১০০৭ থেংনদুনা ফোর দিজিট য়ৌরকপা অসি য়াম্না এলার্মিং ওইরে হায়বা তাকপনি। মসিদসু নত্তনা মণিপুরগুম্বা মীশিং য়ামজ দবা অপীকপা ষ্টেট অমদা নোংমদা মী ১০গী মথক্তা নুমীৎ খূদিংগী শিরকপা হায়বসি ইমর্জেন্সিগা মান্নবা ফীভম অমনি। মরম অসিনা লায়না-লাইচৎ অসিবু লাকশিন্ননবা লৈঙাক্তা এদভাইস তৌরিবশিংগী ৱাফমশিং রিভিয়ু তৌহন্নিংই। কোভিদ-১৯গী মতাংদা শেমখিবা কন্সল্টেটিভ কম্মিটিগী মীফমসু পাঙথোকখিদবা কুইরে। লৈঙাক্লা পোজিটিভ কেস হেনগৎলক্লিবা অসি কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবগী মরম কয়া লৈরি। ৱুহানদা মীওই খূদিংমক টেষ্ট তৌদুনা পোজিটিভ ওইবশিং ক্বারন্টিন সেন্টরদা থমদুনা লায়না লাইচৎ অসি কন্ট্রোল তৌখি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনদি হৌজিক পাক্তক্লনা টেষ্ট তৌনবা অকনবা মওংদা চঙশিল্লি। মসিদা সক্সেস ওইদবদৌনা তৌরিবা অসি আর এ টিদা টেষ্ট তৌবনা ওইগনি খল্লি। এক্সপার্টশিংনা মমাঙদসু আর এ টিগী রিজল্ট অসি লানবা য়াওই হায়না ফোঙদোকখিবসু য়াওখ্রে। আর এ টিদা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইবা মীওই আর টি পি সী আর নৎত্রগা টু নেটতা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইবা কয়াসু ঐখোয়না থেংনখ্রে।

মহাক্লা হায়খি, কোভিদকী অহানবা ৱেভতদি মেদিকেল দিপার্টমেন্টনা কনাগুম্বা মীওই অমা পোজিটিভ ওইদুনা হোম আইসোলেসনদা লৈরে হায়রকপা মতমদা নীংথিনা য়েংশিল্লি। হৌজিক্তি টেষ্ট রিজল্ট লাকপগা য়ুমদা লৈজগে হায়বদা লোইনা চৎহল্লে। ডোক্তরনা ফোন তৌরক্লগা য়ুমদা হিদাক খরা পীবা নত্তনা করম্না লৈরিবগে হায়বসি য়েংদে। অদুনা হোম আইসোলেসন অসি রিভিয়ু তৌবা মতম ওইরে। মীওই অদুনা লৈগদৌরিবা মফম অদু লৈঙাক্লা হান্না আইদেন্টিফাই তৌবীয়ু। হৌজিক লৈকায় লৈকায়দা ৱাথোক কয়া থোক্লি। লৈকায়না অমদি ইমুং-মনুংনা লৈহন্নিংদ্রবা মীওইদুনা ঐদি য়ুমদগী চৎথোক্লোই হায়দুনা হোম আইসোলেসন তৌদুনা লৈরে। অসিগুম্বা সিষ্টম অসিদা চথদুনা লৈরবদি নোংম-নোংমগী অনাবা মশীং শুম-শুম হেনগৎলক্লগনি। অহানবা ৱেভতা তৌখিবা মতৌদু অনীশুবা ৱেভতা করিগী তৌদবনো। মহারাষ্ট্র, মেঘালয়ানচিংবদদি হোম আইসোলেসন্না য়ারোই হায়বগী ওর্দর থোকখ্রে। পীকখ্রবা ষ্টেট অসিদা মীওই লাখ ৩০ রোমতা লৈবা অসিদা নোংমদা মীওই ১০০০গী মথক্তা পোজিটিভ ওইরক্লিবা অসিগী মতাংদা অমুক্তং নৈনসি। ওইরক্লিবা ফীভমসিদা মখা তানা অসুম লৈরবদি নোংম-নোংমগী নাবা মশীংসু হেনগৎখিগনি। লায়না লাইচৎ অসিবু লাকশিন্ননবা মীয়ামসি পাক শন্না আর টি পি সী আর নৎত্রগা টু নেটতা টেষ্ট তৌথোকপীয়ু। মেদিকেল দিপার্ট-মেন্টনা ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## এক্স মিনিষ্টর ৱাংখেময়ূম ব্রজবিধু লৈখিদ্রে



ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী কুমজা ২০০২, ২০০৭ অমসুং ২০১২দা পাঙথোকখিবা ৮শুবা, ৯শুবা অমসুং ১০শুবা মীখলদা কোংগ্রেসকী টিকেটতা এম এল এ ওইরকখিবগী মথক্তা ৮শুবা এসেমব্লিদা মাইনর এরিগেসন অমসুং কাদাগী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ওইরমখিবা লমদেং ময়ায় লৈকায়দগী ৱাংখেময়ূম ব্রজবিধু ঙসি অয়ূক অঙনবদা শিজ হোস্পিটালদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদ্রে। ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## ডা. ঘনশ্যাম লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): অকাম্পাৎ পি ঐচ সীদা আয়ুসকী মেদিকেল ওফিসর ওইরম্বা ডা. থাংজম ঘনশ্যামনা কোভিদ-১৯না মরম ওইরদুনা ঙরাং খঙহৌদনা রাজ মেদিসিটিদা লৈখিদবদা হোমিওপেথিক মেদিকেল এসোসিএসন ওফ মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ডা. এম নরনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুনা লৈখিদ্রববু ইকায় খুম্নবা উৎতুনা মিনট ২ তুমিন্না লৈখি।

## পোজিটিভ ওইরবী নুপী ২৫ মায় পাক্লা অঙাং উনহনখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): মমাঙ থাগী ১দগী হৌরদুনা রিমসকী ওপষ্ট্রেত্রিক্স অমসুং গাইনিকোলোজি দিপার্টমেন্টকী হেদ প্রোফেসর এম রামেশ্বরনা লুচিংবা টিম অমনা কোভিদ পোজিটিভ ওইরবা নাওপুরবী নুপী ২৫ মায় পাক্লা অঙাং উনহনখ্রে হায়রি।

নুপীশিং অসিগী মনুংদা ১১না সী-সেক্সনদা অঙাং উনহল্লগা ১৪না ভেজিনেল দেলিভরিশিং পাঙথোকখিবনি হায়রি। থবকশিং অসিদা গাইনিকোলোজিগী প্রোফেসর/কন্সলটেন্ট অমনা লুচিংবা কোভিদ টিমনা মতেং পাংখি।

## চীফ মিনিষ্টরগী অঙাংগী তেংবাঙ হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): সেন্টরদা লৈরিবা এন দি এ গভর্ণমেন্টনা চহী ৭ মপূং ফারকপগী কুমওনগা ইরোয়ননা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা চীফ মিনিষ্টরস বাল সেবা স্কিম (চীফ মিনিষ্টরগী অঙাংগী তেংবাঙ) কৌবা স্কিম অমা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা মমা-মপা লৈহন্দ্রবা অঙাংশিংগীদমক হৌদোকখ্রে।

স্কিম অসিনা পেন্দমিকসিনা মরম ওইদুনা মমা-মপা/লিগেল গর্জিয়ান অমসুং মখোয়বু য়োক্লকপা অহল-লমনশিং লৈখিদ্রবা অঙাংশিংবু কোনশিনগনি হায়রি।

অনৌবা স্কিম অসিগী মখাদা অঙাংশিং অদুগী লৈহৌরিবা ইমুং মনুং অমদি গর্জিয়ানশিংগী মখাদা হায়বদি নন-ইন্সটিট্যুসনেল ক্যেরদা লৈনীংবা অঙাং অমমমদা থাগী ওইনা মখোয়গী মেন্টিনেন্সকীদমক লুপা লিশীং ৩৫০০ পীগনি হায়রি।

করিগুম্বা হায়রিবা ফীভম অসিদা লৈনীংদবা অঙাংশিং য়াওরক্লগনা মখোয়বু চাইল্ড ক্যের ইন্সটিট্যুট অমদা থমগনি হায়রি। গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ওইনদি চহী ১০গী মখাদা লৈবা অমসুং মখোয়বু য়োকপী-থাকপীনবা ইমুং নৎত্রগা গজি য়ানশিং লৈতবদগী চাইল্ড ক্যের ইন্সটিট্যুটশিংদা থম্বা অঙাংশিংদা থাগী ওইনা লুপা ২১৬০ পীদুনা লাক্লিবনি।

অসিগুম্বা মমা-মপা কায়নরবা অঙাংশিং অসিনা ফংফম থোক্লিবা প্রোপর্টি রাইটশিংগী মতাংদসু অঙাংশিং অসিগী মীংদা মখোয়গী মমা মপাগী মীংদা লৈরম্বা লমশিং মখোয়গী মমিংদা ওনশিনবগী রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা ষ্টাম্প দ্যুটি কোমথোক্তুনা লৌরোই। অদুগা মসিগী মথক্তা অঙাংশিং অদুনা মশাগী চহী ২১ শুরক্ত্রিবা ফাওবদি মখোয়গী মমিংদা ত্রান্সফর তৌবা লমশিংদগী রেভিন্যু লৌবগী থবকসু কোমথোক্কনি হায়খি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ঙসি লাউথোকখিবা স্কিম অসিনা চহী নৌরিবী নুপীমচাশিংদা অখন্নবা ইন্সটিট্যুসনেল ক্যের অমসুং এদ্যুকেসন পীবগী থবকসু কোনশিনগনি। মখোয়বু কষ্টুরভা গান্ধী বালিকা বিদ্যালয়ানচিংবদা এদমিসন তৌবগী খুদোংচাবা পীবগা লোয়ননা মখোয়দা ক্যের অমসুং প্রোপর্ প্রোটেক্সন অমদি ফ্রী এদ্যুকেসননচিংবগী খুদোংচাবশিংসু পীগনি হায়খি।

## 'ইশা অমসুং ইমুংদা চঙহন্দ্রবদি কোভিদ-১৯ মুখৎপা ঙমগনি'

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): ঐখোয় ইশা-ইশাদা অমদি ইমুং-মনুংগী মীওইশিংদা কোভিদ-১৯ চঙদনবা হোৎনরবদি ঐখোয়না লায়না অসি শোয়দনা মুখৎপা ঙমগনি হায়না এম পি ডা. আর কে রঞ্জননা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্লা চহী ৭ মপূং ফারকপা অমসুং মহাক্লা এম পি ওইরকপা চহী ২ ফারকপগা লোয়ননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মফম অনীদা পাঙথোকখিবা সেবাহি সঙ্গথন-ফেজ টুগী থৌরমশিংদা শরুক য়াদুনা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্লা থৌবাল অৱাং লৈকায়গী সুপর ষ্টার ক্লব অমসুং থৌবাল বামোন লৈরক্কী জুপিটর ক্লব অনীনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা শরুক য়ারদুনা হায়, বি জে পিগী প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দানা খঙহল্লকপগী মতুংইন্না এন দি এ লৈঙাক্কী চহী ৭ মপূং ফারকপগী নুংঙাইবা ফোঙদোকপগী মহুত্তা বি জে পিগী কারিকর্টাশিংনা মাগী মাগী লৈকায়দা কোরোনাগী অৱা অনা তারবশিংদা মতেং পাংবা, লায়না অসিদগী মতৌ করম্না ঙাকথোক্কনি হায়বগী মতাংদা মীয়ামদা ৱাখল তাহন্নবগী পান্দমদা মেরা বুথ কোরোনা মুক্তগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি হায়খি।

থৌরমশিং অসিদা শরুক য়াখিবা এম পিগী মায়কৈদগী মীয়ামদা ফেস মাস্ক অমসুং হেন্দ সেনিটাইজরনচিংবসু য়েন্থোকখি।

## কর্ফিয়ু থুগাইবশিং ফারগা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ২ য়াওরক্লে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯গী সেকেন্দ ৱেভনা পীরক্লিবা চৈথেং মায়োক্নবগীদমক লৈঙাক্লা কন্টেনমেন্ট জোন অমসুং কর্ফিয়ু থমজিল্লক্লিবা অসিগী অথিংবশিং থুগাইদুনা য়ূম-য়ূমদগী মপান থোক্নরকপা মীওইশিং ফারগা রেপিদ এন্টিজেন্ট টেষ্ট তৌবদা মীওই অনী পোজিটিভ ওইরক্লে হায়রি।

থৌদোক অসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা ঙরাং থোকখিবনি। মফম অদুদা পুলিস অমসুং চীফ মেদিকেল ওফিসরনা খূৎশম্নদুনা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তারকপদগী হৌরদুনা নুংথিলগী পুং ৫.৩০ ফাওবদা কর্ফিয়ু থুগাইরকপা নুপা নুপী পূন্না মীওই ১৫০ রোম ফাগৎলগা টেষ্ট তৌখি। থৌদোক অসিগী মতাংদা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সী এম ও ইন-চার্জ সনিয়া মোনিকানা পাউচে অসিদা ফোঙদোরকখিবদা মীওইশিং অদু লমকা কৈথেল, টুইবোং, ফোরেষ্ট গেট, পিছ গ্রাউন্দনচিংবদগী ফাগৎলকখিবনি। অদুগা মখোয়বু টেষ্ট তৌবা মতমদা মীওই অনী পোজিটিভ ওইরমখিবনি হায়রি।

মহাক্লা মখা তানা হায়বদা ঙরাংগী থৌদোক অসিগী মমাঙদসু কর্ফিয়ুগীঅথিংবা থুগাইদুনা থোরকপা মীওই ৬০ রোম ফাগৎতুনা টেষ্ট তৌখিবা মতমদসু মখোয়গী মনুংদা মীওই ২ পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখ্রবনি হায়বগা লোয়ননা দ্রাইভ অসি মখা তানা চথখিগনি হায়রি।

## 'ঐখোয়গী পন্থুং' গী এদিটর ওইরম্বা শগোলশেম হেমন্ত লৈখিদ্রে



ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): থাগী চেফোঙ 'ঐখোয়গী পন্থুং' গী এদিটর ওইরমখিবা কৈশামথোং মোইরাংনিংথৌ লৈরক্তংগী শগোলশেম হেমন্ত কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ঙসি লৈখিদ্রে।

লৈখিদ্রবা মণিপুরগী সিনিয়র জর্নেলিষ্ট অসি চয়োলগী চেফোঙ 'পুদিন' অমসুং ইম্ফালদা অয়ূক্তা নুংতিগী ফোঙলম্বা পাউচে 'নীংতম লানপাউ' গীসু এদিটরশিং ওইরমখিবগী মথক্তা মীয়াম্না পাম্নখিবা লাইরিক অমা ওইখিবা 'খেংজোই চীংশাংদা' কৌবা লমকোয় লাইরিক অমসু ইদুনা ফোঙলমখিবদা নত্তনা 'তুরেলগী ৱারী' কৌবা লাইরিক অমসু ফোঙলমখি। মহাক্লা খঙহৌদনা লৈখিদবদা রোয়েল রাইদরস মণিপুর, মণিপুর পিছ এন্দ ইন্টিগ্রিটি (মপি) কাউন্সিল অমসুং পেত্রিওটিক রাইটরস ফোরম মণিপুরগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## রিলিফ ফন্দদা তেংবাঙ পীনরি

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টরগী রিলিফ ফন্দদা ঙসিসু তোঙান-তোঙানবা লূপশিংনা লেপ্তুনা তেংবাঙ পীনরকখিবশিংগী মনুংদা কংলা ৰুদ প্রদক্ট অমসুং আই ও সী এলগী ওইল টেঙ্করশিংগী দ্রাইভরস অপূনবা লূপনা লুপা ১,২০,০০০, এম সী এস এসোসিএসননা রিব্রেদর ওক্সিজেন মাস্ক ৫০০, পি পি ঈ ২০০, এন ৯৫গী মাস্ক ৫০০ অমসুং ১০০০ ফোর কেনুৱালা, মণিপুর হোম গার্দ এমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যের এসোসিএসন - লুপা ৩,০০,০০০; এন ইরাবন্ত - লুপা ২,০০,০০০; ঐচ সমানন্দ (প্রোপ্রাইটর, এস এন নর্সরি এন্দ এগ্রো) - লুপা ১১,০০০; লিবরেল কোলেজ এমপ্লোয়ীজ ফন্দ লুপা ৩,৬২,৩০৫, বি জে পিগী ৱাঙাঙলোই ৱিলুবৌ ন্যুমাই - লুপা ২০,০০০; হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্ভেসনগী এদিসনেল দিরেক্টর অমসুং লোইশঙ অসিগী এমপ্লোয়ীশিংনা - লুপা ৬,১৩,৭৬০; লাইরিকয়েংবম লৈকায়দগী খোগেন্দ্রো লাইরেনলাকপম - লুপা ২০,০০০; লৈকায় অসিদগী হিজম গোজেন্দ্রো - লুপা ১০,০০০; মণিপুর হোকি এন্দ দিষ্ট্রিক্ট হোকি - লুপা ১,২৭,০০০; মণিপুর দিভলপমেন্ট সোসাইটি - লুপা ৫,০০,০০০; মৈরা পায়বী নুমিৎ ওবজার্ভেসন কম্মিটি (পোইরৈ লৈমরোল, অমোভা, মেপৱা) - দি টাইপ সিলিন্দর ৩, অমসুং আই এ এস এসোসিএসন্না বি টাইপকী সিলিন্দর ৫০ অমসুং পলস ওক্সিমিটর ৩০০ দোনেট তৌরকখ্রে হায়রি।

## পোজিটিভ কেস ১০৩২ থেংনরে, মীওই ১৭ লৈখিদ্রে

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): ঙরাং থেংনখিবা পোজিটিভ কেস মশীং ১০০৭ অদুনা ষ্টেট অসিনা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ মায়োক্নরক্লিবা অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী য়াম্না নোংমতদা থেংনখিবা পোজিটিভ কেস মশীংনি হায়না লৌনরম্বদুগী মথক্তা ঙসিনা অমুক হেনগৎলক্তুনা পোজটিভ কেস মশীং ১০৩২ থেংনবগা লোয়ননা লায়না অসিনা শিহনবা মীওইশিংগী মশীংসু ঙরাংদগী ২ হেনগৎলক্তুনা মীওই ১৭কী পুন্সি মাঙহনখ্রে।

ঙসি নুংথিল পুং ৫ ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্কী কোভিদ-১৯ কম্মন কন্ট্রোল রুমনা থোরকখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অপূনবা পোজিটিভ কেস মশীং ১০৩২ থেংনরে হায়রি।

অপূনবা মশীং অসিগী মনুংদা ১০২৭না জেনরেল পোপ্যুলেসনদগীনি। মসিগী মনুংদা নুপা ৫৪২ অমসুং নুপী ৪৮৫নি। অদুগা লেমহৌরিবা ৫ অদুনা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী পর্সনেলশিংনি হায়রি।

ঙসিগী পোজিটিভ কেসশিং অসি থেংনখিবা টেষ্টিং সেন্টরশিংনা রিমসতা ৫০, জেনিমস ১৬৩, দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিটালশিংদা ৪৫৪ অমসুং অতোপ্পা প্রাইভেট সেন্টরশিংদনা কেস মশীং ৩৬৫ থেংনবনি হায়রি।

পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিং অদুনা ইম্ফাল ইষ্টতগী ২৮১, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৩০১, থৌবাল ৯৫, বিষ্ণুপুর ৭৮, ককচীং ৩৬, উখ্রুল ১০, চুড়াচান্দপুর ১০০, চান্দেল ৫, সেনাপতি ১৮, তমেংলোং ৪৬, তেংনৌপল ১১, কাংপোকপী ১, জিরিবাম ২৫, কামজোং ৯, নোনে ১ অমসুং ফেরজোল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি হায়রি।

অদুগা, হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈখিদবা মীওই ১৭ অদুনা চুড়াচান্দপুরদগী ৫, ইম্ফাল ইষ্টতগী ৫, ইম্ফাল ৱেষ্ট ৪, ককচীং ২ অমসুং উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টতগী মীওই ১নি হায়রি।

ঙসি লৈখিদবা মীওই ১৭ অসি থারগা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লৈখিদবা মণিপুরগী অপূনবা মীশিং ৭৯৩ য়ৌরে। অমরোমদা ঙসিগী ওইনা লায়না ...মখা লামায় ৩ কলম ৭

## চেঙ কেজি ৫-৫ য়েন্দবদা চেন্নবা এম এল এ অমসুং নোমিনিশিংগী মথক্তা এক্সন লৌখৎলু : ঐচ আর এল এন

ইম্ফাল, মে ৩০ (ঐচ এন এস): গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট, ২০১৩গী মখাদা মণিপুরগী প্রধান মন্ত্রি গরিব কল্যান অন যোজনা (পি এম জি কে এ ৱাই) চেঙশিং চৎলিবা থা অসিগী য়াওনা মথং থা জুন ফাওবগী থা ২গী ওইনা থা অমদা মীকোক্তা কিলোগ্রাম ৫-৫ য়েন্থোক্কদবনি হায়দুনা খঙহল্লকখ্রবসু অয়াম্বা মফমদা হায়রিবা কেজি মশীং অসি শুদনা শুপ্লতগী কিলো ৩ নৎত্রগা ৪ য়েন্থোকপা য়াওরে হায়বগা লোয়ননা চেঙ শুদনা য়েন্থোকপদা করিগুম্বা এম এল এশিং অমসুং নোমিনিশিং চেন্নরল্লবদি



মখোয়গী মথক্তা লৌখৎফম থোকপা থবক লৌখৎকদবনি হায়দুনা চীফ মিনিষ্টরনা অইবা চেরোল পীশিনখ্রে।

চেরোল অসি হ্যুমেন রাইটস লো নেটৱর্ককী মায়কৈদগী ৱাংখৈ হিজম লৈরক্তগী ৱাহেংবম জয়কুমারনা ঙসি চীফ মিনিষ্টরদা পীশিনখিবনি। চেরোল অসিগী কোপিশিংসু মরী লৈনরিবা কঞ্জ্যুমর এফ্যেরস ফুদ এন্দ পব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসনগী থবক পুরিবা মিনিষ্টর অমসুং ওফিসলশিংদসু পীখি হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা নেসনল ফুদ সিক্যুরিটি এক্ট, ২০১৩গী মখাদা রসন কার্দ হোল্ডরশিংদা পি এম জি কে এ ৱাইগী চেঙশিং থা অমদা কিলো ৫-৫ পীনবগীদমক চেঙ ক্যুইন্টল ৯৩,০০৭.৯৫ পীরকখি হায়রি।

হায়রিবা চেঙশিং অসি ফংগদৌরিবা রসন কার্দ হোল্ডরশিং অদুদা ...মখা লামায় ৩ কলম ২



অ ঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী শাবা ৩৮.১১ °C
খ্বাইদগী ঈংবা ১৬.১৩ °C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : ০.০০
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৪.২৫
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৫.৫৯

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

## HL Poll

Q: Positive case mashing yamna hengatlaklibasi home isolation touhanduna thambana maru oiba maram ama oiroidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

NGARANG GI RESULT

Q: Covid-19 positive oiraba meeoisingbu layengbada leingakna angamba mateng pangnaba thabak loukhatpifam thoktabara?

Yes 100% No 0%

## অস! লোইরেহে!

- অনীশুবা খোঙজং মায় পাক্লে জুলাই থাদগী অহুমশুবা খোঙজং হৌরসে কোরোনা ময়াম



- হৌরসে, ইনিংথৌ কোরোনা ননাই ঐখোয় য়াজরে।

## হুইয়েন লানপাউ ৱারেং চাংদম্নবা

মালেম শীনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা লায়না লাইচৎ কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংগী লাইরিক-লাইশু তম্বদা চাওনা চৈথেং পীরি। মরম অসিনা *"মহৈরোয়শিংবু এগজামিনেসন তৌদনা মথংগী ক্লাসতা প্রমোসন পীবা"* হায়বা টোপিক অসিদা মহৈরোয়শিংনা ইশা-ইশাগী ৱাখল্লোন্দা য়াল্লবদা ৱাহৈ ৫০০ ইরগা 'হুইয়েন লানপাউ'গী ঈ-মেল আই দি **hueiyenwarengchangdamnba@gmail.com** অসিদা থাবীরকউ।

ৱারেং চাংদম্নবা অসিদা ক্লাস নাইনদগীনা ত্বেল্ভ ফাওবগী মহৈরোয়শিং শরুক য়াবা য়াগনি। মহৈরোয়শিংনা থাবীরকপদা ইশা-ইশাগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো ১, স্কুলগী মিং, ক্লাস অমদি কন্টেক্ট নম্বর লোয়নবীরকউ। মহৈরোয়শিংগী অইবা ৱাখল্লোন অদু চৎলিবা ***মে ৩১*** ফাওবগী মনুংদা থাবীরকউ। খ্বাইদগী ফজবা ৱাখল্লোন্দা ইরকপা মহৈরোয়শিংগী মনুংদগী অহুম খনগৎলগা মথংশিংনা লুপা ৫০০০, ৩০০০ অমসুং ২০০০গী শেলগী মনাশিং ফর্ষ্ট, সেকেন্দ অমদি থর্দ তারবশিংদা পীজগনি। ৱারেং ইবীরকপা মতমদা মহৈরোয়শিংনা খূদোংচানবগীদমক মীতৈলোল (মীতৈ ময়েক), রোমান স্ক্রিপ্ট অমদি ইংলিশতা ইবীরকপসু য়াগনি।

– **এদিটর, হুইয়েন লানপাউ**